**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 03-09.2024)**

**দিজিপি (এল)ঃ** কুকি মিলিটেন্টশিংনা দ্রোন শিজিন্নদুনা এট্টেক চথুরকখিবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কদাংবনগী মফমশিং রাজ্যগী দি.জি.রাজিব সিংহনা ঙসি চৎতুনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

দি.জি.পিনা মফম অদুদা লৈবা খুঞ্জাশিংগা উন্নদুনা খুঞ্জাশিংনা ফোংদোরকখিবা ৱাফমশিং মুন্না তাখি। খুঞ্জাশিংনা ফোংদোরকপগী মতুং ইন্না অসিগুম্বা থৌওং চথুরকপা অসিনা মখোয় মফম অসিদা ইংনা চিকা লৈবা ঙমদ্রে। মরম অদুনা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপীদুনা মতুং তারকপদা অসিগুম্বা থৌওং অসি মখা তানা চথুদনবা হোৎনবীয়ু হায়খি।

খুঞ্জাশিংগী ৱাফম তারবা মতুংদা দি.জি.পিনা হায়-মফম অসিদা সি.আর.পি.এফ. নৎত্রগা বি.এস.এফ. থম্বা য়াগদ্রা হায়বদু য়েংশিনগনি। অদুমওইনমক, মফম অদুদা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্স থমবা হোৎনগনি। মহাক া হায়-থৌদোক অসিগী মখা তারকপদা কাংপোকপী য়াওনা মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবা হৌরে। ঙরাংসু থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা দ্রোন অমা ফংবা ঙমলে। ওপরেসন অদুদা খুৎলায় কয়া ফাগৎখি। মখা তানা ওপরেসন চথুখিগনি। কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা চথুরক্লিবা অনৌবা মখলগী এটেকশিং অসিগী মতাংদা কেন্দ্রগী লুচিংবশিং য়াওনা মরী লৈনবা খুদিংমক্কা পাউ ফাওনরি।

মহাকা হায়-মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনসু মরী লৈনবশিংগা ৱারী শান্নদুনা ইরাং অসি লাকশিন্নবা হোৎনরি। মহাকা হায়-সেন্ত্রেল ফোর্সশিং মফম কয়াদগী লৌথোকবা দাবী তৌরক্লিবা অসি মরম চাদে। ইরাং অসি ষ্টেট ফোর্স খক্তনা থেংনবা ঙমলোই।

**সিএম(এল)ঃ** মীচম লৈবা মফমশিংদা দ্রোন শিজিন্নদুনা বোম থাদবগী থৌওং অসি টেরোরিজমগী থৌওংনি অমদি মসিবু য়ামা হকচিন্না লৌই হায়না মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ফোংদোরক্লি।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়-অসিগুম্বা থৌওং অসি সরকার অসিনা লুমা লৌবগা লোয়ননা লমদম অসিগী মহৌশাদগী লৈরক্লবা মীয়ামদা টেরোরিজমগী ওইবা থৌওং চথুরকপা অসি থেংননবা লৌখৎপা য়াবা থবক লৌখৎলগনি।

মহাকা হায়-হিংশাগী মায়োক্তা মীপুম খুদিংমকা লেপকদবনি অমদি লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংবু নুংশিন্নদনবা, খাইবুং তানবা অমদি তোখায় তোখায়না তাহন্নবা হোৎনরিবশিং অসিবু পুন্না থেংনমীন্নবা তঙাইফদে।

কুকি মিলিটেন্টশিংনা দ্রোন শিজিন্নদুনা বোম থাদবগী থৌওং অদুবু ৱাক্স মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা পেন্দবা ফোংদোরক্লি। সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মন্ত্রিনা হায়-মনিপুর অসি য়ুক্রেন নত্তে। অদুমওইনমক, মফম অসিদা থেংনরিবা লান অসি অশেংবনি। মহাকা হায়-দ্রোন বোম, স্নাইপ্পর শিজিন্নদুনা এট্টেক তৌবা, ওইদবা ৱাফম কয়া শন্দোক্লিবা অসি রাজ্য অমদা হিংশা চথবা নত্তনা ভারতকী অমত্তা ওইবগী শক্তমদা শিংনরকপনি।

মহাকা হায়-লৈবাক অসিগী নেসনেল সেক্যুরিতি শিংনরক্লে হায়বা য়াই। খুৎলায় পায়দবা খুঞ্জাশিংদা চথুরকপা অসিগুম্বা পাংদবগী থৌওং অসিনা রাজ্য সরকারনা শান্তি পুরকবা হোৎনরিবা অসিদা শিংনবা অমা ওইহল্লে। অসিগুম্বা এটেক অসিবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লি অমদি ভারতনা মীয়াম ঙাক শেন্নবা অমসুং শান্তি পুরকবা থবক লৌখৎপা মতম ওইরে।

মরক অসিদা, রাজ্য সরকারনা অৱাংবা থাক্কী কমিতি অমা শেমদুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কৌত্রুক্তা কুকি মিলিটেন্টশিংনা দ্রোন শিজিন্নদুনা এটেক তৌরকখিবা অদুবু থিজিল্লগনি হায়রি। রাজ্যগী দি.জি.পিনা থোকখিবা চেরোল অমনা হায়-মিলিটেন্টশিংনা দ্রোন শিজিন্নদুনা আর.পি.জি. কয়ামরুম থাদরকখি। মীওই

মঙানা শাবা কমিতি অসি এদিসনেল দি.জি.পি. (ইন্টিলিজেন্স) অসুতোস কুমার সিনহানা লুচিংগনি। কমিতি অসিদা ফিফতি সভেন মাউন্টেন দিভিজনগী জি.ও.সি, অসাম আই.জি.এ.আর (সাডথ) মেজর জেনরেল, সি.আর.পি.এফ. অমসুং বি.এস.এফকী ইন্সপেক্তর জেনরেল য়াওরি।

**কৈথেল (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কৌত্রুক্তা কুকি মিলিটেন্টশিংনা চিংথক্তগী বোম য়াওনা নোংমৈ কাপশিল্লকপা অমদি দ্রোন শিজিন্নদুনা বোম থাদরকপদগী নূপী অমা লৈখিদবা কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখিবগী থৌওংবু শ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেলগী ইমাশিংনা পেন্দবা ফোংদোরক্লি।

কুকি মিলিটেন্টশিংগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা খোইশাউনরবা কৈথেল ফম্বী ইমাশিংনা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা অথুবা মতমদা থবক লৌখৎনবা দাবী তৌদুনা সি.এম. বঙ্গলো তমা চৎনবা হোৎনবদা পুলিসশিংনা থিংখি। মদুদা নাকল অনিগী মরক্তা চাউনা মুকবা থোকখি। খোইশাউনরবা কৈথেল ফম্বীশিংনা কুকি মিলিটেন্টশিংগী থৌওং অদুদা সরকারনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈবা চুমদে। মখোয়গী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা হোৎনগদবনি হায়না দাবী তৌখি।

অমরোমদা, কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা দ্রোন শিজিন্নদুনা মীতৈ খুলশিংদা লান্দারক্লিবা অসি থেংননবা ভারত অমসুং মনিপুর সরকারনা অথুবা মতমদা থবক লৌখৎপিয়ু হায়না কদাংবন্দ অপুনবা নুপী লুপকী সেক্রেটরি-এলাংবম ওংবী শান্তিনা ফোংদোরক্লি।

কদাংবন্দ পার্ট টু কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা মহাকা হায়-কুকি মিলিটেন্টশিংনা দ্রোন শিজিন্নদুনা অনৌবা লাল্লোং চথ্থরক্লিবা অসিদা মীয়াম হেন্না মীপায়বা পোক্লে। শ্রীমতি শান্তিনা হায়-মফম অসিদা মখা তানা পামদবা থৌদোক থেরক্তনবা অহেনবা সেক্যুরিতি

ফোর্স থন্বীয়ু। মফম অসিদা লৈরিবা মীওইশিং ঙাক শেন্নবা সরকারনা থবক লৌখৎপীনবসু মহাকা আপিল তৌরি।

**কংগ্রেস (এল)ঃ** হায় টেক দ্রোন শিজিন্নদুনা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা খুলশিং-কৌত্রুক, সেকমাই, সিনাম খুল অমসুং সেঞ্জম চিরাংগী খুলশিংদা কুকি টেরোরিষ্টশিংনা সেপ্তেম্বর তারিখ অমদগী বোম থাদরক্লিবা অসি লৈবাক অসিগী নেসনেল সেক্যুরিতিদা শিংনবা অমা ওইরি হায়না মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট-কৈশাম মেঘাচন্দ্রনা হায়রি।

মহাকা হায়-লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিং অসি গুজরাট অমসুং উত্তর প্রদেসতা লৈরিবা মীওইশিংগা চপ মান্নে। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা মতম খজিক্তং কায়থোকপীদুনা মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ইরাং অসি লোয়শিন্নবা হোৎনবীয়ু।

**নোং (এল)ঃ** মনিপুরগী চিংগী জিলাশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুগনি হায়রি।

ইন্দিয়ান মেতিওলোরোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরগী চেরোল অমনা হায়-তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল অমসুং ফেরজোলদা লাক্লিবা থাংজ নুমিৎ ফাওবা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি। জিরিবাম, তেংনৌপল অমসুং চান্দেলগী মফমশিংদনা  শগোলশেল নুমিৎ ফাওবা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি।

**জিরিবাম(এল)ঃ** জিরিবাম জিলাদা দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিস লৈতবদগী গাড়ি মচা য়াওনা অতৈ গাড়ি শিজিন্নরিবা মীওই কয়াদা খুদোংচাদবা মায়োকরে হায়রি।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমীনা হায়-দ্রাইভিং লাইসেন্স, গাড়িগী রেজিষ্ট্রেসন রিন্যু তৌবা য়াওনা অনৌবা গাড়ি লৈবগী রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী খুদোংচাদবনা

জিলা অসিগী মীয়ামনা অৱাবা কয়ামরুম মায়োকরি।

অমরোমদা, য়ুমথংনরিবা রাজ্য অসামগী কছারদা গাড়িগী চে-চাং শুদবশিং ফাগৎতুনা চাউনা ফাইন থিহনবগী থবক চথুরি। হীরম অসিগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনদা জিলা অদুগী সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংনা কয়ারক হায়জরবসু থবক ওইনা হৌজিমক্কী ওইনদি থবক্তা ওন্থোরকপা লৈত্রি।

হীরম অসিগী মতাংদা জিরি দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী হান্নগী সেক্রেটরি হৌজিকনা মীতৈ কনভেন্সন জিরিবামগী কনভেন্নর-ডব্লিয়ু. দিনেস মীতৈনা হায়-অথুবা মতমদা সরকারনা মীৎয়েং চংবীদুনা প্রজা মীয়ামগী অপান্বা অসি থবক্তা ওন্থোকবা হোৎনবীয়ু।

**এময়ু(এল)ঃ** নুমিৎ হুমনি চথুগদবা রাজ্য থাক্কী একাডমীক রাইটিং অমসুং পাব্লিকেসনগী ৱার্কশোপ ঙসিদগী মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী কোর্ট হোলদা হৌখ্রে।

মনিপুর য়ুনিভরসিতি ইংলিস এল্যুমনাই অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিস এন্দ কলচরেল ষ্টদিজ মনিপুর য়ুনিভরসিতিনা শিনবা থৌরম অদুদা সিক্কিম ষ্টেট য়ুনিভরসিতিগী হান্নগী ফাউন্দিং ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার গোপালকুমার নিরৌলা সেত্রি, মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী স্কুল ওফ হ্যুমেনিটিজকী দিন-প্রোফেসার-এস. ইমোবা সিংহ অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিস এন্দ কলচরেল ষ্টদিজগী হেদ-প্রোফেসার ইরোম গম্ভীর সিংহ শরুক য়াখি।

**মৈ(এল)ঃ** ৱান থারটি টু কে.ভি. লোক্তাক রেংপাং লাইন লাক্লিবা শগোলশেন নুমিৎতগী নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবা নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক পুং ৮ দগী নুংথিল পুং অহুম ফাওবা মৈ মুৎকনি হায়রি।

এম.এস.পি.সি.এলগী চেরোল অমনা হায়-লোক্তাক রেংপাং লাইনগী মফম কয়াদা জঙ্গল কট্টিং তৌগদবা অমদি লাইনশিং শেমগদবা মরমনা হায়রিবা নুমিৎশিং অসিদা কঞ্জুমরশিংনা মৈ ফংলোই।

**ওকপা (এল)ঃ** বোদি বিল্ডিং মশান্নদা থোইদোক হেন্দোকা মনিপুরগী মিংচৎ পুরকখিবা ষ্টের্ন্দদ কলেজগী মহৈরোই অনি-য়াইস্না মীতৈ অমসুং রামশ্বামী করামবু ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ইন্ফাল ইষ্টকী কোংবদা লৈবা ষ্টের্ন্দর কলেজতা পাঙথোকখ্রে।

কলেজ অসিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা টিচিং অমসুং নোন-টিচিং ষ্টাফশিংনা মখোয় অনিবু তরামা ওকখি। নীংশিংবা য়াই, মমাং থাগী তাং তরুক্তগী ১২ ফাওবা ইন্দোনেসিয়াগী বতাং আইলেন্দদা পাঙথেকখিবা ৫৬ শুবা এসিয়ান বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নসিপতা য়াইস্না মীতৈনা কিলোগ্রাম ৭৫ গী কাংলুপ্তা মিস্তর এসিয়াগী টাইতল লৌরকখিবনি। অদুগা হৌখিবা জলাই থাদা দিল্লিগী রাজ রাম মোহোন রোই ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা মিস্তর অমসুং মিস ইন্দিয়া বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নসিপ-২০২৪ দা রামাশ্বাবী করামনা কিলোগ্রাম ৭০ গী কাংলুপ্তা জনিয়ার মিস্তর ইন্দিয়াগী টাইতল লৌরকখিবনি। মহৈরোই অনিনা অসিগুম্বা লেমজনিংঙাই ওইরবা টাইতল অসি লৌরকপদা কলেজ অসিগী ওজাশিং, নোন-টিচিং অমসুং মহৈরোইশিংনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

**মুরমুঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-মহৈ তম্ফমশঙশিংদা নুপীমচাশিংবু অশোয়-অঙাম থোকহন্দনবা হোৎনগদবনি। মখোয়শিং অসি লৈবাক অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা শরুক অমনি।

মহারাস্ত্রগী পুনেদা লৈবা শিমবাইওসিষ্ট য়ুনিভরসিতিগী কনভোকেসন থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা রাস্ত্রপতিনা হায়-মহৈ লোইশঙশিংনা মহৈরোইশিংদা মগুন লৈবা শিক্ষা পীনবা হোৎনগদবনি অমদি মহৈরোইশিংবু মখোয় মখোয়গী নাৎ-চৎনবী অমসুং সমাজদা দরকার ওইরিবশিং অদু খঙহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংগদবনি।

সমাজ অসিগী লৈরিবা শোত্থরবা মীওইশিংগী খন্দুনা মখোয়গী হকশেলগী

লমশিং ফগৎহন্নবসু রাস্ত্রপতিনা তিল্লিবা মীয়ামদা আপিল তৌখি। য়ুনিভরসিতি অসিদা তল্লিবা অতৈ লৈবাক্কী মহৈরোইশিংনা মখোয় মখোয়গী মরমদমদা হনখ্রবা মতুং য়ুনিভরসিতি অসিদগী তল্লিবা লৌশিং গ্যানশিং মীওইবা খুন্নাইগী য়াইফনবা শিজিন্নগনি হায়বগী থাজবা রাস্ত্রপতিনা ফোংদোকখি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, লৈবাক অনিগী খোঙচৎতা ব্রুনাইদা ঙসি থুংখ্রে। মহাকা বন্দার সেরি বেগাৱানদা হেক থুংলবগা লৈবাক অদুগী ক্রাউন প্রিন্স-হাজি অল-মুহতাদি বিলাহনা তরামা ওকখি।

শ্রী মোদিবু ব্রুনাই ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টতা মহাকপু তরামা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। ভারতকী প্রধান মন্ত্রি অমনা ব্রুনাইদা চৎপা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। মসি লৈবাক অনিগী কুতনিতিগী ওইবা চহি ৪০ শুরকপগা মরী লৈননি।

প্রধান মন্ত্রিনা মফম অদুদা লৈবা ভারত মচাশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

প্রধান মন্ত্রি হয়েং সিঙ্গাপুরদা চৎকনি। মহাকা হায়-লৈবাক অদুগী রাস্ত্রপতি-থরমন শনমুগারাতঙম, প্রধান মন্ত্রি-লোরেন্স ৱোং, সেনিয়ার মিনিস্তর-লি সিম লুং অমদি অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং উন্নবগী খুদোংচাবা ফংগনি। মহাকা সিঙ্গাপুরদা লৈরিবা করবারৱালাশিংগী লুচিংবশিংগসু উন্নগনি।

**ছাতিগরঃ** ছাতিসগরদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবদা মাওইষ্টকী মীওই ৯ শিরে। থৌদোক অদু বিজাপুর জিলা অমসুং দানতেৱারাগী তায়নবা বাস্তর দিভিজনদা ঙসি থোকখিবনি।

বাস্তর লমদমগী ঙমখৈ পরিংদা য়াল্লবা মাওইষ্টশিং লৈরে হায়বা অককবা পাউ অমা ফংবদগী সি.আর.পি.এফ. অমসুং দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ব গার্ডকী অপুনবা কাংবু অমনা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথখি। থিবা হুন্দ্বগী থবক চথরিঙৈদা ঙসি অয়ুক

মফম অদুদা লৈবা চিংথক্তগী মাওইষ্টশিংনা নোংমৈ কাপ্লকপদগী সেক্যুরিতিনা হু দুনা নোংমৈ কাপবদা মীওই ৯ অদু লৈখিদবনি। মখোয়দগী খুৎলায় কয়ামরুম ফংলে হায়রি। থৌদোক অদুগী মখা তারকপদা মফম অদুদা থিবা হুম্বগী থবক চথুখি।

মরক অসিদা, বিজাপুর জিলাদা পুলিসনা মাওইষ্ট ১৩ ফারে।

**য়োজনাঃ** খুদোংচাবা ফংদ্রবা শিন্মীশিংদা প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনা (পি.এম.এ.ৱাই) গী খুদোংচাবা ফংহন্নবা কেন্দ্রগী লেবর অমসুং ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রালয়না থৌরাং লৌখৎপা হৌরে।

রাজ্যশিংগী লেবর অমসুং ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রালয়শিংদা ইবা চিঠি অমদা কেন্দ্রনা হায়-পি.এম.এ.ৱাইগী খুদোংচাবা অসি অতোপ্পা ষ্টেটতগী লাকপা শিন্মীশিং অমদি অন-ওর্গনাইজ শিন্মীশিংদা ফংহনগদবনি। কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুং ইন্না পি.এম.এ.ৱাই. অসি চহি মঙা শাংদোকপা হায়না য়ারে। মসিনা খুদোংচাবা ফংবা য়ারে হায়বা বিনিফিসরিশিংদা য়ুম কোতি অনি শানবা পান্দম থল্লি। শেন্মীৎলোনগী ফিভম কা হেন্না শোথনা লৈরিবা শিন্মীশিংগী লৈফম দরকার ওইরিবা অদু য়েংলগা সরকারনা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

**পেরাঃ** পেরিসতা চথুরিবা পেরা-লিম্পিক্সকী ঙসি তরুকনি চনবা নুমিৎতা জেবিন থ্রোদা ভারতকী সুমিত অনতিলনা সনাগী তকমান লৌরে।

নুপীগী বেদমিন্টন সিঙ্গলসতা-নিত্যশ্রী শিবননা শেঞ্জেংগী তকমান অমা, নুপাগী বেদমিন্টন সিঙ্গলসতা-সুহাজ য়াতিরাজনা লুপাগী তকমান অমা অমসুং আচ্যরিগী মিক্স টিম কম্পাউন্দ ইভেন্টতা শেঞ্জেংগী তকমান অমা ফংলে।

মেদল টেল্লিদা ভারতনা সনাগী অহুম, লুপাগী মঙা, শেঞ্জেংগী তরেৎ পুন্না তকমান ১৫ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী ১৫ শুবা মফমদা লৈরি।

চাইনানা সনাগী ৪৫, লুপাগী ৩২, শেঞ্জেংগী ১৬ পুন্না তকমান ৯৩

ফংদুনা মেদল টেল্লিগী মকোক্তা লৈরি।